# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ঙরাং রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নদুনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

২) মণিপুরদা হৌখিবা অহিংদা ময়াই ওইরপ কন্না থংনা থংননা অনিরক য়ুহার হাখ্রে।

অমসুং

৩) লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়রি- তেরোরিজম থেংনবদা মালেমগী লৈবাক পুমমকা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নগনি হায়বসি মহাক্কী থাজবনি।

**------**

বিরেন (এল) ঃ হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ঙরাং রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নদুনা মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ফিভম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং রাজ্যপালগা উন্নরবা মতুংদা ইম্ফালদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী বিরেন্না হায়- মণিপুরগী চহি অনি ফারক্লবা ইরাং অসি থুনা লোইশিন্দুনা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা অমসুং লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগী য়ুমদা হলহন্নবা ৱারী শান্নবা অদুদা রাজ্যপালদা তকশিনখি। হাইৱেশিং থিংলিবা অসি হাংদোকবা অমসুং আইন কায়না পায়রিবা খুৎলায়শিং লৌখৎনবগী মতাংদসু ৱারী শান্নবা অদুদা তকশিনখি। মসিগী মথক্তা

পাউমীশিংনা তোংবা বসতা মণিপুর থাবা য়ারোই হায়বগী ৱাথোক চাউথোরক্তুনা ইমা ইবেল কয়ানা লেপ্তুনা খোঙজং চংশিনবদগী ওইরক্লিবা ফিভম অসি থুনা শংতাইনবা পুরকবসু রাজ্যপালদা তকশিনখি।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না বঙ্গলাদেশ অমসুং ম্যান্মারদগী আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং থা অমগী মনুংদা খন্দোকবা ফোংদোরকখিবা অদুগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা শ্রী বিরেন্না মখা তানা হায়- ঐখোয়না ৱাফম অসিগী মতাংদা হান্নদগী হৌনা লাউদুনা লাকচবা অদু কেন্দ্র সরকারনা খঙবীবদগী থবক লৌখৎলকপদা নুঙাইবা পোকই। মীতোপ খন্দোকপগী মতম খরা শাংদোকপীনবসু রাজ্যপালদা তকশিল্লমখি।

যুহার (এল) ঃ মণিপুরদা হৌখিবা অহিংদা ময়াই ওইরপ কন্না থংনা থংননা অনিরক যুহার হাখ্রে।

অকাশবানি ইম্ফালনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না হৌখিবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১ মিনিত ৫৪ সেকেন্দ ২৭ চৎপা মতমদা রিক্তর স্কেলদা ৫.২ য়ৌনা যুহার হাখি। যুহার হাবা অদুগী ইপিসেন্তরনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা লৈনুংদা কিলোমিতর ৪৬ লুবা মফমদনি হায়রি। মদুগা ইকান কান্নদনা সেকেন্দ অহুম লৈরগা নোংয়াই মতুং পুং ১ মিনিত ৫৪ সেকেন্দ ৩০ রিক্তর স্কেলদা ৫.৩ য়ৌনা যুহার হাখি। মদুগী ইপিসেন্তরনা ককচিং জিলাগী মফম অমদা লৈনুংদা কিলোমিতর ৬২ ল্বা মফমদনি হায়রি। যুহার হাবা অদুনা মণিপুরগী মফম কয়াদা কন্না নীকখি। অদুমওইনমক, যুম-কৈ তেকপা অমদি অশোক অপন থোকখিবগী পাউদি লৈতে।

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লালহৌবা মরি অমসুং খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- চুরাচান্দপুর জিলাগী তৈজাং ভিলেজ অমসুং তোরবুং খুলগী মরক্তা লৈবা উমংগী

শরুক্তগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা ইন্সাস রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা এম-সিক্সতিন রাইফল অমা, কন্ত্রিমেদ সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, পোম্পী অহুম, কন্ত্রিমেদ হেন্দগ্রেনেদ অনি অমসুং নোংমৈ মরু খরা ফাগৎলে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মোংলাম চীংখোঙদগীসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা দবল বেরেল নোংমৈ অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ১, আই.ই.দি বোম মঙা অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎলে।

অমরোমদা, অককবা পাউশিং ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লৈরোংথেল পিত্রদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা প্রিপাক্কী মীওই অনি ফারে। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর নোংমৈ অমা, মেগজিন য়াওবা ইন্সাস রাইফল অমা অমসুং নোংমৈ মরু ১৭ ফংলে।

অমরোমদা, থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমসু ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খোঙহামপাৎ মন্ত্রি লৈকাইদগীসু কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা ফারে। মখোয় অনিমক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

বিরলা ঃ লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়রি- তেরোরিজম থেংনবদা মালেমগী লৈবাক পুমমকা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নগনি হায়বসি মহাক্কী থাজবনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং শ্রীলঙ্কাগী উপ-অধ্যক্ষ অমসুং কমিতিজ ওফ দ শ্রীলঙ্কান পার্লিয়ামেন্টকী চেয়ারমেনসু ওইরিবা ডাঃ রিজ ভি সানিনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমগা লৈবাক অনিগী মরক্তা ৱারী শান্নবগী থৌরমদা শ্রী বিরলানা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- মীওইবা খুনাইনা চাওখৎলকপগী লম্বীদা তেরোরিজমগী থৌওংশিংনা খ্বাইদগী চাউনা অকি অখঙ অমদি অয়েৎ অপন কয়া পীরি। শ্রীলঙ্কাগী মীহুৎ কাংবু অদুনা তেরোরিজম থেংনবদা মখোয়সু ভারতপু শৌগৎতুনা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নগনি হায়না ফোংদোকখি।

মোন্সুন ঃ  ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- কুমশি চহিগী কুমগী নোং মহৌশা চুফম থোকপা চাংদগী হেন্না চুদুনা অফবা কুম ওইগদৌরি। কুমগী নোংগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা দিপার্টমেন্ট অসিনা মখা তানা হায়- কুমশি চহিগী কুমগী নোং অসিনা মহৈ মরোংশিং নিংথিনা পুথোকবা হোৎনবা অমসুং খুঙ্গংগী মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা চাউনা মতেং পাংলগনি।

দিপার্টমেন্ট অসিগী দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ মেতিওরোলোজি মুরুত্যুনজোয় মোহাপত্রনা হায়- লাক্লিবা জ্ন থাদগী সেপ্তেম্বর ফাওবগী মনুংদা নোং চুবগী চাং মহৌশা চুবা চাংদগী হেল্লবা য়াই।

ভিজিৎ ঃ  তেরোরিজমগী থৌওংশিং কৈদৌনুংদা খাঙদুনা লৈরোই হায়বা নিউ দিল্লিগী পাউজেলনা মালেম পুম্বা নিনখ্রে। তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবশিং য়াওবা মীহুৎ কাংবুশিংনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা চত্তুনা লৈবাকশিং অদুগী লুচিংবশিং, পার্লিয়ামেন্টরিয়ানশিং, থিঙ্ক টেঙ্ক, পাউমী অমসুং সিভিল সোসাইতিগী মীহুৎ কয়াগা উন্নদুনা পাকিস্তান্না ঙমখৈ লান্না চত্থরক্লিবা তেরোরিজমগী থৌওংশিংগী মতাংদা নিংথিনা খঙহনবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

জে.দি.য়ুগী এম.পি- শঞ্জায় ঝানা লুচিংবা মীহুৎ কাংবুনা সিঙ্গাপুরগী মপান থৌরম মন্ত্রি অমসুং লৈবাক অদুগী এম.পিশিং, লল্লোন ঈতিক্কী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱাফম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে। মখোয়না ৱারী শান্নবা অদুদা হায়- ভারত অসি শান্তি পাবজবা লৈবাক অমা ওইনা পাকিস্তান্না চত্থরকপা তেরোরিজমগী থৌওংশিংবু লৈবাক অসিদা লান্দারকপনি হায়না লৌই।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

কোকোমি অমসুং ফোক্সনা তোঙান তোঙান্না এম.ঐচ.এগী কাংবুগা ৱারী শান্নখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউচে অসিগী সবহেদলাইন ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক খত্তগা ৱারী

শাগনি: কোকোমি, ফোক্সনা হৌজিক্কি ইসুশিং পুখৎখি হায়না ফোংলি।

সিফাইনা মণিপুর মুখৎহনখিবগী ৱাথোক হাই কোর্ট কোর্ট য়ৌরে, হোম অমসুং দিফেন্স মিনিষ্ট্রি, মহার রেজিমেন্ট য়াওনা রেস্পোন্দেন্ট ৯ গী মথক্তা ৱাকৎলক্লে হায়না হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মিনিষ্ট্রিনা মীতোপ খন্দোকবগী মতম থা অমা পীরিবসিদগী শাংদোকবা বিরেন্না তকশিনখ্রে হায়না পোকফম পাউচেদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি পীপলস ক্রোনিকলদসু বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

চহি লিশিং অনি হেনবগী পুৱারী লৈজরক্লবা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা ১৯৪৯ দা তিনখিবনি হায়বসি মণিপুরগী গভর্নরনা খঙগদবনি: ইবোবী হায়না নহারোলগী থৌদাংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কোকোমিগী খোঙজং মখা চত্থরি, লোইশঙশিং শো লোনশিনখ্রে, ইন্দিয়া থাবা ৱাহৈদা লৈখোম থোমজিনখ্রে, মৈরাগী রেল্লি চৎখ্রে হায়না সনা লৈবাক পাউচেদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

এন.আই.এনা মিজোরমদগী খুৎলায় য়োনবা মীওই অহুমগী মথক্তা চার্জসিট থাংগৎখ্রে হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

রাষ্ট্রপতিনা পদ্মা এৱার্দ য়েন্থোকখিবা পাউ অমা মণিপুর মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সেনাপতিদা ইলেক্ট্রোনিক ওফিসকী মতাংদা ত্রেনিং চত্থখিবগী পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিরেন্না গভর্নর উন্নখিবা পাউ অমা গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা মণিপুরদা থল্লিবা প্রসিদেন্ট রুল অসি ফেল ওইরে হায়বা মণিপুর কংগ্রেসকী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------